ৱারী ককনাউ

## শিমিন্নরসিরা?

*চীংয়াদা* লৈবা অহাঙবা লক্মাং অমনি। সরত অমদি মোমোন লোরোই হাইগৎখ্রিবা চীংদুগী চীংমাইদা হৌরিবা ইশং শংলবা পাম্বী মচা মচাশিংদুদা য়েংদুনা ফল্লি। মখোয় অনী ৱা ঙাঙনদে। তুমিন-তুমিন লৈনৈ, শুৎ-শুৎ মখোলদি ইথোক-থোক্তুনা কপ্পরি। অমুক-অমুক য়েংনৈ, মমিৎ-মমিৎতা মপি তাবদু উবদগী অমনা অমগী মপি তৈথোক্লরি। কপকনু থেম্ন রি। থেম্ম-থেম্মগা হেন্নদুম থম্মোয় শোক্লরি। অমুক-অমুকসু নোংথক্তা য়েংখৎলি। ৱাখলদা উংনবা মাল্লি। চাউরাক্লা মখোয়না লক্মাংসিগী মচিদা হৌরিবা হৈনৌ পাম্বী মখোঙসিদা ফল্লক্লিবসি পুঞ্চাই মুক খরা হেল্লে। চীংয়াগা ওইরে, কনাসু লাক্তে, লাপ্তক্লা যণ খরদি হানৌ চারি লম্পাক্কী লোইশিল্লকপদা। য়াক্লা শারম্বা নুংশাসু খরা নেমথখ্রে। ঙসাইখৈ পুমলেপ লেপ্পুরবা নুংশি হৌজিক্তদা খরা-খরা লিরি-লিরি শিৎপা হৌরক্লি। ঈংলবা নুংশিৎনা মোমোনগী নারুমদা হুম্বদা অশাংবা মশমশিংদুনা জগোয় শাবগুম মনীং তম্না তুংলোমদা ফরা-ফরা হুমলি।

মখোয় অনীনা নুংশিনরক্লিসি কুইরে, চহী তরারোম খরা হেল্লে। সরত অমদি মোমোন খুল থংননা লৈমিন্নবনি। নুংশি নুংওন করিনো হেক খঙলকপদগী নুংশিনরকপনি। মোমোনগী মপাগা লুনা তিন্নবা ইম্ফালদগী মমান্নবা অমগী মচাগীদমক মমৌ ওইজগে হায়না হায়রবদগী লুহোংনবা ৱারোইপোৎ পুনখ্রে। সরতসু খঙই, অদুবু ইম্ফাল পামজবা মমা-মপাগী নীংবা কায়হন্নীংদবদগী ৱা অমত্তা হায়দনা লাকপনি। মথম্মোয়দদি য়াম্না নুংঙাইজদে। মোমোনদি সরতকা ৱাইথুংনবা পামজে। অদুবু তত্তনা হায়জে, চেল্লসি হায়না। সরতনা য়াদদুনা লাকপনি। হৌজিক্তি ৱারোইপোৎ পুখ্রে, লাক্লিবা লমতা থাদা লুহোংনবা মতম লেপ্পখ্রে।

“কৈদৌসি হায়বনো?” মোমোন্না সরত্তা খিতং ঙাথরগা হায়রকই।

মোমোনবু নুংশিনা তপ্না কোনবীরগা সরতনা নুংশিনা য়েংই।

“ঐবু কৈদৌ হায়বনো? ঐ থবকসু তৌদে, যণ লাবা অনীখক লৈবদুনা খোইরগা চিঞ্জাক তাঞ্জবা মীশকনি, অদুবু হৌজিক্তি লৌ খোইনবা মেছিন ময়াম অমা থাজিল্লকপনা যণপোৎ খোইবা ঐখোয়গী শিনফম লোইনা মুনবিখ্রে, মেছিনদুসু ঐদি লৈবা ঙমদে, শেল থোক্তবা কুইরে, ঐ পাঙ্গল থোক্ত্রে।”

“ঐবুদি নুংশিবা নৎত্রা?”

“য়াম্না নুংশি, নুংশিবদুনা নঙনা হায়বা ঐ য়ারিবনি, মরমদি নঙ হয়েং ঐঙোন্দা লৈরবদা য়াম্না ৱাগনি, ঐ নঙবু ৱাহন্নীংদে।”

“ঐ ৱারসু ৱাজগে, নহাক্তনা ঐগীদমক লেপ্পীয়ু, নৎত্রবদি ঐ মীগী ওইখিবা তারে তা সরত”

“মোমোন, সে ৱাখল পিকথগনু, ঐগী নুংশিবদি কৈদৌনুংদা মাঙলরোইদবনি, লেঙদনা অসুম লৈরগদবনি”

“অদুগী নুংশিবদু নত্তে ঐনা পাল্লিবসে, ঐনা নঙগী নাক্তা লেঙদনা লৈজরগা পুন্সিসে নঙগা পূন্না চৎমিন্নবদুনি”

“মদুমদি নঙ ঐগী লাইবক্তা তল্লমদ্রমাল্লে মোমোন”

“নহাক মীচেননি, নুপা নত্তে, থম্মোয় য়াম্না কনবা মীনি, ঐদি নঙবু থাদোক্তুনা মীগী ওইখিবা ঙল্লোই, ঐ শিগনি”

“অদু হায়গনু তৌহৈদে,”

“অদুদি ইবানি পূন্না শিমিন্নরসি” মোমোন মখোল থোক্লা কপ্লগা সরতকী মখূৎতা কোনশিন্দুনা পিনা পুমচোৎ চোৎলবা মীৎয়েংদু সরত্তা য়েংখৎলগা হায়জে।

সরত ৱাদু তাবদা শ্বাই লাওই। মহাক তশেংনা শিবদি পামদে, অদুগা মোমোনবুদি তশেংনা নুংশি, নুংশিরসু মহাকপু ফীভমদুদা লৌশিনবদি ঙমদে। অদুইসু মথক্তা মোমোনগী মমা-মপাগা কৈসু লৈতবা মাগা শিংনবা হায়বসি মহাক কিজৈ, শিবসু কিজৈ।

“মোমোন অদু হায়গনু”

“নঙ ঐগীদমক শিবা ঙল্লোইদ্রা?” মোমোন্না কপ্না কপ্না মখা তারকই।

তৌফম খঙদ্রবা সরত মোমোনবু ইন্থোক্লুল্লগা হৌগৎলগা লেপ্পী। তশেংবদি মহাক শিবা কি। মোমোন হৌগৎলক্লে, অদুগা সরত্তা মুন্না য়েংই,

“তা সরত, নহাক লৈহৌরো, ঐ চৎলগে” সরতনা ফনা য়াম্না খাম্মী। অদুবু মোমোনদি খাম্বা য়াদনা অদুম চৎখ্রে। সরত নুংশা য়াম্না থিরকই। মাসু পন্থদনা অদুম মোমোনগী মতুং ইন্নদুনা লাকই। মোমোন্না মাগী মতুং ইন্নরক্লে খঙদুনা লেপ্লগা ওনশিল্লক্তুনা সরত্তা হংই।

“শিমিন্নরসিরা?”

“শিমিন্নবদি পামদে, হিংমিন্নবা পাম্মী”

“অদুদি করি...?”

“নঙনা হায়বদু ঐ য়ারগে”

অনীমক মুন্না য়েংনৈ। অৱাবা ৱাখলনা অমুক্তা মোমোন নোকখিদ্রবা মোমোন হায়রপ মোমোন তৌখি।

*- নরেন্দ্র নিঙোম্বা*

*মতম মতমগী ৱাফম*

# নুপী খোঞ্জেলদা শৈশকলম্বা - নব চাকথেকপী





*করি ৱাখলনোনে রাম ?*
*হন্দোকপীরে জানক্কীসে বাল্মিকী বোন্দা...। (নব চাকথেকপী)*

থোং লোনশিন্দুনা লৈবা য়ূম অমগী কা অমদা নুপী অমগী নুংশিরবা খোঞ্জেলদা থম্মোয় শোক্ল। শকপা ঈশৈ অমা নোংমা তাখি। চাউরাক্লা ১৯৭৪ য়াওশং ময়াদনি। খোঙ্গ্রাউ হাপপেন্ট শেৎলিঙৈনি। ঈশৈ অদুনা ঐহাক য়ূম অদুগী মপা লান্না চৎপা ঙমখিদে। ঐখোয় ইমান্নবা খরগা য়ূম অদুদা চঙশিল্লি। মপান্দা লেপ্তুনা ঈশৈদু তাখি। মরেপ ৱাংবা ঐখোয় লৈকাইগী নুপা অমগা উন্নখি। মহাক্লা হায়রকপদগী খঙখি মদুদি ইমুংদা মী খর ঈশৈ ঔরাইরি। শক্লিবদু নুপানি । মখোয় মীওই খর পুন্দুনা ঈশৈ ঔরাইবনি। ঐখোয় লৈকাইগী নুপাদুগা কাঙবু অদুগা পূন্না য়ূম অদুদা ঈশৈ ঔরাইবা ওইরম্মী। নুপানা করম্ন া নুপীগী খোঞ্জেল শকপনো মতমদু ঐহাক থোয়না খঙখিদে অদুগা নুপানা শকপনি হায়বসিমসু থাজবা ঙমখিদে । ঐখোয় ফনা কুইনা মপান্দা ঈশৈদু তাদুনা লৈখি।

ঙাইহাক লৈরগা য়ুম অদু থোংগী হাংদুনা মী খরা থোকলকই। নুপী খোঞ্জেলদা ঈশৈ শক্লিবদুনি হায়না শক তাকখি। নুপাদু হাফপেন্ট শেৎলি জেকেট ওইনা তৌবা ফুরিৎ অমা লিৎলি মী পীক্তক তৌই । মীশক অদু উবদা নুপী খোঞ্জেন্দা ঐহাক্লা তাখিবা ঈশৈ অদু মহাক্লা শকপা ওইরমগনি হায়বসি থাজবা ঙমখিদে। ঐখোয় লৈকাই নুপা অদুনা হোরেল নুমিদাং মখোয়গী য়ুমদা ঈশৈ তৌনি তাবা লাকউ হায়রকখিবদগী ঐখোয় অদুম থোকলকখি। নুপা অদুনা ঈশৈ শকহনগদৌরিবসি ঐগী য়ূমগদি মনিং মমাংনি লৈরক অমখক্লা খনবনি। মতম অমা চৎনরম্বা ‘লাইটসোং’ হায়দুনা য়ূমলক্তা মাঙ্গোন্দা সঙ্গোইদা ফমশক ওইনা তবলা য়ৈবা অমগা ঈশৈ শকপা অনী অহুমগা মাইক্রোফোন অমখক্তা ঈশৈ শকপসি ঐখোয় থেংনরকই। তাবা চৎলকখি। মশক নাইবা শৈশকপা ঐখোয়না লাইটসোংদা থেংনরকখিবসি খর ঙল্লিঙৈদনা রেডিওগী শৈশকপা অহৈবম বুদ্ধচন্দ্র, অহৈবম শ্যাম, অহৈবম বোরমণি, থোঙাম ইবোচৌ, মাইবম মাইমু, বোকুল মখোং ইমো অসিনচিংবসিনা হেন্ন শকপা থেংনরকই। করিগুম্বদনা লৈকাই লৈকাইদা লৈবা ঈশৈ শকপা খরগা লম লমগী মমিংদি কয়া ঐখোয়না খঙখিদবা শৈশকপশিং খরগা য়াওনা লাইটসোং শকপা অসিসু তৌনরকই। লাইটসোং ঈশৈদা নব কৌবা মীওই ঈশৈ শকপা খরসু তাখি। ‘নব’ কৌবসি মণিপুরী ঈশৈ-নোংমাইগী লমদা য়াম্না চানগল্লি। অয়াম্বনা মশক নাইবা শৈশকপা ঙাক্তা থেংনখি ।

হন্দক থেংনজরক্লিবা অসিসু নবা কৌবা অমা ওইরম্মী। য়ূমনা খূম্বোংদগীনি মৈতৈ বামোননি, চৌধুরিময়ূম্নি । ‘খুম্বোং নবা’ হায়রগা হেন্না খঙনবা নুপী খোঞ্জেল শৈশকপনি। বামোনসু মান্দে। খূম্বোং হায়বসি পাৎসোই লম্বীরোমদা খরা হায়থরগা লৈ। ঐগ্য খুম্বোং নবসি নহা ওইরিঙৈদা শৈশকপা অমা ওইনা য়াম্না কন্না কোইচৎ চৎতুনা মফম শীন থুংনা ইশৈ শকপা চৎপদি নৎলকখিদে। খঙন চান্নবশিংগী থৌরমদা খর খর শকপতনি। ঐনা থেংনজরকখিবদা নুপীগী খোঞ্জেলদা অহানবা ইশৈ তাখিবসি জেষ্ট শ্যামকহ্নাই হায়না খঙনবা ঐগ্য শ্যাংকহ্নাইনা শকপা তাখি। মথংদা থোকলকখিবসি ঐগ্য ‘খুম্বোং নবা’ হায়না খঙনবসি ওইরমগনি। অতৈ মফমদসু কয়া অমদি লৈরম্বা য়াই অদুবু পারফোর্মেন্সতা শরুক য়াবা হৌরকপদা থেংনরকখিবসি ঐগ্য খুম্বোং নবসি অমনি। ঐগ্য খূম্বোং নবগী ঈশৈ মাঙ্গোন্দা ঙন্না তাবা হৌরে । ঐগ্যগদি অমুক্তা নকশিন্নরুদ্রি । ঐগ্য নবগী নুংঙাইখিবা ঐহাক্লসু কাওঙমখিদবদি ঐগ্যাগা লোয়ননা চৎমিন্নখিবা তবলা য়ৈখিবা ওঝা অদুনি । ওঝাগী মিংদি কাওখ্রে। তবলা য়ৈবদা মীবু নুংঙাইহনবা ঙম্মী। তবলা য়ৈবদা মরোন্দা ‘থা থা থাবুংতোন নচা মোরাম্বী পোবিগে হায়হনবা ঙম্মী।’ ঐগ্য নবগী ইশৈদা নুংঙাইনবা মরোন হাপ্তুনা তবলা য়ৈখি । ওঝাদু হিংলমখিগদ্রা খঙজদ্রে ঐগী মিৎতদি উরি। শৈশকপা বুদ্ধি (হৌজিক্লা চাকথেকপী পার্টিগী অমদি ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালনা শকখঙলবা শৈশকপা ওইবীরিবা ) মহাকসু মতম অদুদা অঙাং ওইনা হায়রিবা ওঝা তবলা য়ৈবা অসিগা লোয়ননা ঐগ্য খুম্বোং নবা হায়রিবসিগা কাঙবু অমা শাদুনা ঈশৈ শকলকপদা ঐখোয়না ঙন্না তাবা হৌখি। মতমদু ঐখোয় লোয়নমক খোঙ্গ্রাও হাপপেন্ট শেৎনরি।

কুমশীং ১৯৭০ অসি য়াম্না মরু ওই। কুইখিদে ‘চাকথেকপী পার্টি’ হায়বা ঈশৈ লীলা কাংবু অমা শাগৎলকপদা ঐগ্য নবা নুপী খোঞ্জেল শৈশকপা অমা ওইনা শরুক য়াবা হৌরকই। ঐনা হান্না উজখিবনা ‘খুম্বোং নবা’ হায়বা শৈশকপা অমা ওইননি। হন্দক থেংনরকপা অসিদনা ‘চাকথেকপী পার্টি’ ঈশৈ লীলা কাংবু শাফোঙলকপদগীদি ঐগ্য নব লোৎশিনবা য়াখিদ্রে ‘খুম্বোং নব’ হায়রম্বদগী ‘চাকথেকপী নবা’ হায়বসিনা হেন্না মিং চৎখৎলকখি। কনাগুম্না খুম্বোং নব হায়রগা চাকথেকপী নববুনি হায়বসি খঙনখিদবসু য়াম্না লৈখি। মণিপুরী শুম্মাং লীলা (ডাইলোগ লীলা) না শিথখিবা মতমদা ঈশৈ লীলানা অমুক শমথরকখি। মতাং অসি য়াম্না মরুওইবা মণিপুরী শুম্মাং লীলাগী তাঙ্কক অমনি। ঈশৈ লীলা হায়দুনা লীলাদা ঈশৈ য়াম্না হাপচিন্দুনা চাংয়েং তৌদুনা শান্নরকখিবা লীলানি। হিয়াংথাং মাইকৈরোমগীনি কমাখ্যা কাংবু হায়বা অমগা চাকথেকপী পার্টি হায়বসিগা অনীসি য়াম্না নকশিন্ননা লীলা তুংথা মাংথা শান্নবা হৌরকখি। কমখ্য মন্দলগীসু নুপীগী খোঞ্জেলদা নুপানা ঈশৈ শক্তুনা লীলা পুথোকলকই।

অকনবা ঈশৈ লীলাগী খোঙচৎনি। শুমাং লীলা নৎত্রগা যত্রাৱালি হায়রম্বদগী শুম্মাং কুম্মৈ হায়বসি মসিদগী হৌরে হায়বা য়াই। মণিপুরগী কাচিন কোয়া, শুম্মাং, মান্দপ, লম্পাক্তা শান্নখিদবা লৈখিদে। মীয়াম্না ‘চাকথেকপী পার্টি’ হায়না খঙনরকপা হৌরকপদা ঐগ্য নব শর্ম্মবু ‘চাকথেকপী নব’ হায়না মীয়াম্না হেন্না খঙনখি। শর্ম্মনি হায়বকা কাওনখি। মমিং লৈখিবা লীলাশিং কয়া লৈখি । মণিপুর শুম্মাং লীলা কাউন্সিল অমদি মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা শীনখিবা শুম্মাং কুম্মৈ চাংদম্নবদা নুপী খোঞ্জেলদা শৈশকপদা মশীং খঙদনা বেষ্ট ফিমেল ভোইস তাখিবা চাকথেকপী নবা ঐগ্য অসিনি।

কাউঙমদবা থৌদোক অমসু নীংশিংলি- শুম্মাং লীলা ফেষ্টিভেলদা ঐগ্য নবনা নুপীগী খোঞ্জেল শাদুনা ঈশৈ শকলকপদা নুপীগী খোঞ্জেল মানমনখিদুনা লীলা য়েংবা লাকপীখিবশিংনা ফম্বাক মথক্তা এক্ট তৌরিবা লীলা কূল্লিবা অদুদা য়েংদদনা ঈশৈ শক্লগা ফম্বাক মখাদা ফল্লিবা চাকথেকপী নবরোমদা মী পূম্নমক ঙক্ল া য়েংনখিবনি। মসি মফম খুদিংমক্তনি। অদুক নুংশিবা নুপী মানবা খোঞ্জেল অমা থোকলক্কনি হায়বসি ঐগ্যগী অশেঙবা শক উবদা কনানসু থাজনদবা অমনি। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা শীনখিবা লীলা ফেষ্টিভেলদা শক্লাইখিবা অইবা কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রনা ঙক্লা লীলা য়েংলম্বদগী হৌগৎলগা লীলা শান্নরিবনি হায়বা কাওথোক্তুনা ঈশৈ শকফম মনাক্তা চঙশিন্দুনা মূন্না য়েংদুনা লৈখি। “মসি মচিন লেঙশিন্নবনি। মশাসি চেক তৌবা অমা চঙঙি। ফুরিৎ মনুংদা রেকোর্দ তৌরবা নুপী খোঞ্জেলগী ঈশৈ টেপ রেকোর্দর য়াওরমগনি মদু থাদোক্লগা মহাক্লা শকপা শাবনি” হায়না য়াম্না য়েরিয়স ওইনা ঐঙোন্দা হায়খিবা লৈ। ফাগী তৌগনবা ওঝা লাইশ্রম সমরেন্দ্রনি অদুবু নুমিৎ অদুদা মহাক্লা হায়খিব ৱাফম অদুদি ফাগী নত্তে মরমদি মহাক মপি তাখি ।

ঐগ্য চাকথেকপী নবনা মতম শাংনা চাকথেকপী পার্টিদা নুপী খোঞ্জেল শৈশকপা অমা ওইনা শরুক য়ারম্লগা লীলদগী পোত্থাখিবা চহী ফনা কুইরে। ঈশৈ হায়বসি নহা ওইরিঙৈদগী পামজনা হৌরকখি। অসামী বংলা লোন্দা ঈশৈ শকপা ঙম্মী। য়াম্না হোৎনবা কনজবা, ৱানা শেন্থোক ৱাৎনা হিংনবা হোৎনরকখিবা শৈশকপনি। ঙসিসু ঈশৈনা থৱায় ওইরি অদুবু মতম অমগুম্না ঈশৈ শকপদুদি চহী য়ামশিল্লকপা অমদি মতমগী অওনবা ইরৈনা লাক্তুনা শকপদি তৌখিদ্রে। য়াম্না তাঙনা ঈশৈগী ওঝাশিংবু নীংশিংজদুনা অদুঙৈগী তাবুনুংগী ঈশৈ হায়দুনা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম চহী অমগী মনুংদা অমুক্তা ওইরবসু পাংথোক্লা হোৎনরকখি। ঐগ্যা নবগা লম্বা চানা পাখিবা নুপা খোঞ্জেল শৈশকপখিবা জিতেন খাইদেমনি। ওঝা অনীসিনা পুংবা ওইরগা চাকথেকপী পার্টিগী লীলাগী ঈশৈ নোংমাইগী মাইকৈ পুরম্বনি। ওঝা জিতেন খাইদেমসু লীলাদগী পোৎথাখিবা কুইরে। নক্লরম্বা শৈশকপা ওঝা অনীমক মপাং শেৎনখি। নোংমা ফাদোক থৌদোক্তা থেংনবা নত্তনা থেংনখিদ্রে। অদুঙৈগী ঈশৈনদি অমুক অমুক পুনশিন্নহল্লি। অনী পূন্না শকমিন্নখিবা ঈশৈ কয়ানা ঙসিফাওবা কাওঙমদনা মখোয়বু নীংশিংহল্লি। নুপা খোঞ্জেলদা ( জিতেন খাইদেম) ঃ-*নঙবু অঙাংবা কুরাও মপান্দা খোইনিংনা তোংবা উরকতরা? নহা ওইরকতনা হনুরকপরা ?* নুপী খোঞ্জেলদা (নবা চাকথেকপী)ঃ *নীংশিংবীরক্কনু নৌহৌননা হৌখিবা মতমদো, নীংশিংলগা খোইরাংলকই থম্মোয়সে, খল্লুরগা ওইনিংলকই লৈশাবী।* ঈশৈগী ময়েকসি চম্না রোমান্টিক ওহবা লীলাগী ঈশৈনি। ঈশৈ অসিগী ফজরিবদি ময়েক্কা চান্ননা শক্লিবা অৱাই অখুম নুপা নুপীগী খোঞ্জেলদা জিতেন খাইদেম অমদি নব চাকথেকপী অনীনা নীংথিজনা শকপা অসিনি। ঈশৈ অসি তাবদা মিৎতা পিকচর উহনবা ঙম্মী। এক্তিং তৌখিবা ফাগী পুবা ধন্নবীর মিৎতা উরকই। অতোপ্পা অনী পূন্না শকমিন্নখিবদা হিট ওইখিবা ঈশৈ অমনা - *‘ঙসি লোকতাক খোংবানসিদা, ইনৌ নৌরে ঐগী পূক্লিংসে, ইথক হৌরে ঈপোম কারে, ঐগী ৱাখল ঐগী পূক্লিং..।’’* অতোপ্পা ঈশৈ অমদা অমুক অসুম্না শকখি- নুপাঃ-*কৈদৌঙৈ সিনেমা য়েংসিগে ?* নুপীঃ- *নোংমাইজিংদা য়েংলসি।* নুপাঃ- *ঙসি করি নুমিৎনো?* নুপীঃ-*ঙসিদি নিংথৌ কাবনি।* নুপাঃ *অদুদি য়াম্না ৱাৎলিপোৎনিনা খরা নক্লা থারকও।* নুপী ঃ-*ঙাইঙমদবা ইবুংঙো হয়েং হেক্তা য়েংলসি য়ারবরা ..?* ঈশৈদা ৱারী শানবনি। নোক্লিংহনবা অরায়বা খোন্থোক্লা ফোঙদোকহনবা শৈশক্লি। লীলাগী মুদ এক্তিং খঙনা শৈপানবা ঈশৈ অসিদা থেংনৈ।

নব চাকথেকপীনা শকখিবা নাইতোম ঈশৈ য়াম্না লৈখিবশিংগী মনুংদগী খরদং লৌখৎচরবদা-নুপী খোঞ্জেন্দা (নব চাকথেকপী)ঃ- *লমদম তাম্না লৈখ্রবা মাগী, নুংশি মপাউ তাখিদবা কুইরে , নুংশি চেংলৌসু উখিদবা কুইরে । অহিং কয়া তূমদনা মৈচাক খাঙলি ওন্না থোইনা। কাওঙমদনা লেল্লি মাগী মীনোক, অহিং নুংথিল অনীমক্তা । নুংশি মাসু ঐগুম্না, কায়না মৈশা লাংলিদরা, ঐনা চাক্লিবা অসুম হায়না মাসু থম্মোয় কায়রিদরা ?*

ঈশৈ লীলাগী ঈশৈ ওইরবসু য়াম্না মচং ওইবা, চেকশিনবা ময়েক, চেকশিন্না শৈপানবা, থৱায় য়াওনা হোৎনখিবগী মমি ঈশৈ অসি তাবা মতমদা ফংঙি। আর্ট হায়বসি চপ মান্নৈ তৌবতবু অচুম্বা,অশেঙবা,কৎথোকপা, হোৎনবা হায়বদু য়াওদ্রগদি মশক থোকপা ঙমদে। লুরিবা অমদি হংলক্কদবা ৱাহংদি - অঙনবা মতমদগী আর্টিষ্টশিং অসিনা হোৎনজরকখিবা কয়া অসিগী মমল কনানা লেপ্পীরিবগে? মখোয় করম্না ঙসি হিংলিবগে ? লৈপাক্কী থৌরমদা মখোয়গী ফিদা কদায়দা থাবীরিবগে ? আর্ট তৌরিবসি মীয়ামগী ঙাইহাক নুংঙাইনৱা ? ঐগ্য নব চাকথেকপী হৌজিক অহল ওইশিল্লক্লে মতম অমগী নুংশিরবা নুপী খোঞ্জেল শৈশকলম্বা মহাক নোংমদি অরোয়বা মতম লাকখিগনি। ঐখোয় লোয়নমক্লি। মহাক্কুম্না নহা ওইরিবা নুপী খোঞ্জেলদা শৈশকপা কয়া লেপ্তুনা হৌজিকসু থোকলক্লি। মণিপুরী শুম্মাং লীলাগী শৈশকপা ওইজরি । মখোয়সু নোংমদি অহল ওইরক্কনি। ঐগ্য চাকথেকপী নবগুম্না পোত্থাবা মতম লাকখিনি। ঈশৈদি পাঙ্গলগী মতেংনা শকপনি। পাঙ্গলনা লৈরকত্রবদা মখোয়গী মফম কদায়দনো ? মপাল লমদদি নুপী খোঞ্জেল শৈশকপা কয়াবু য়োকখৎপীবা ওইনা কম্পিটিসন কয়া পাংথোকলি। ইন্টেনসিভ পীবীদুনা ইকায়খূম্নবা ফংহনবীরি । লমদম অসিদদি পূম্নমক উদগী তাবমুক পংলি। মসিবু আর্ট পামজরুবগী মহৈ হায়বদুরা নৎত্রগা লমদম অসিদা পোকলুবগী খুদোল্লা ?

*-মাখোনমনি মোংসাবা*

# থা থা থাবুংতোন

*মেরাগী* পুর্ণিমানি। থাবলদা হকচিক লাংলি। য়ুমথক্তা। মখায় মরিনি। মপানে মমানে মচানুপী অহল থাজমানবীনে অদুগা অঙাং অতোনবা অবুংনে। থাজমাবী মমানা শিঞ্জবা কুম্মৈনি। থামচা কৌই মমাই মমিং। মচানুপী মমিং থোনবদা তরেৎ তরা থোক্লা কুইনা খল্লগা থোনখিবগুম কুম্মৈসিসু মমানা মমিং অমা থোঞ্জে। থাবল য়েংবা কুম্মৈ কৌজৈ। থাজগা থাবলগা অমতা ওইবা, লুহোংবা, মাই পূক্লিংনা মপাল নাইদনা ফজবসিদা লুপচবা-সিগুম্বা মীৎকুপসিবু তরাম্না ওকচবা, মোমোন নোক্লা কৌজবা কুম্মৈনি। থা খুদিংগী পূর্ণিমাদা হরাও হরাও শিঞ্জ-লাংজৈ। নোক নোক্তুনা হায়জৈ। থাবল হায়সি খোইহিনি। করি লোন দানো খঙদে। লোন্দাসিগা লোয়নবা মাই মনোক অমসু লৈ। মচিম্বালনা নোকপা মনোক নত্তে। চহীদৈ খরা নৌরপ তৌবা মমাইদা আ থনুংদৈ মমি তারকই। ঈপোম হৌরকপগুম্ন া। মমাই থন্না। মমীৎতুনা খরা হেন্না নোকই। অয়ুক্কী লিক্লাগুম তনিকই। মাই মনোকসি নোক্লক্লদি অসিগুম্বা লোন্দাসি শীজিন্নরকই। থাবল হায়সি খোইহিনি। অঙাং হায়সি খোইমুনি - অঙাংনা মাই গল্লাগী লৈ থদত্তুনা শান্নরম্মী হায়রিনি।

মাই নুপীগী স্বাই মতাংসি মপানা খঙদে। স্বাই মতাংসিদা চুরুট চমখৎলি। চুরুট থকপা আইন্না থিংখ্রবসু থিংদ্রিঙৈদৈ থক্লক্লবা অশিবা হৈনবীসি থাদোকপা ঙমদে। মৈখু শাংনা মমনা কামথোরক্লগা হায়,

‘নঙগী ঙসিগী পূর্ণিমাই থাবলসিদি ইমক মকইদা।’

চুরুট মনমদু কন্থোক কন্থোক্লা মমানা হায়রকই,

‘কৈনো মোই মপানা ঙাঙলিসিবু। য়েংবা হায়সিদি পূক্লিংনা য়েংবনি। মীৎনা নত্তে। সিবু ঐনা হায়নিংদুনা হায়ৱা? থাজদ্রগা থাবল্লেদা হংজৌ। থাবল্লেনা ফজরিসি থানা ফজৈ লক্লরকপদৈ নৎত্রা? কান্নদে অচাপোৎতুম লৌথোক্লুখিগে। চরগা ফজরকপ্রা য়েংসি।’

মমা চঙখ্রে।

মপাই মনাক্তা ফমদুনা অবুংনা ৱারী তৌই।

‘বাবা, তেলঙ্গাসি থা মান্না শাবা য়াদৱা? কৈথেলদা য়োন্দৱা?’

‘থা মাল্লদি পাইয়ু য়ারোইদা।’

‘কৈগী য়াদনি। থাদি পাইরিসিদি। লৈচিল মরক্তা খপ খপ্তুনা পাইরিসিদি।’

‘থাসিনা নঙগী তেলঙ্গা ওইরদি থৱানমিচাক্লা করি ওইনি,’ মচে য়াওশিল্লকই।

‘চেচে মোয়সিনা ৱাংনা পাইবা। অদুনা পিকপা । অচৌবদি ৱাংনা পাইবা ঙমদে। তেলঙ্গা মকোক ঙাওই। ফজবদি অচৌবনা হেনবনি। লোইনা উবনি।’

লোইনা খঙলগা লোইনা উরগা করম্না নুংঙাইদৌরিবনো। উনিংঙাই লৈত্রদা য়েংনিংখিদ্রা? শৈরেং ইনরিসি মসিননি - পূন্সিসি কোচি থাংই। চিনিচম্প্রাগুম। চেচে য়ানিংদে। য়ানিংদবসি মফিদি কোমদে। মপান থোক্তুনা মোংলদে। অনকপা পোৎকী মরুমদা অরাপ্পা তুংগী মীশক অমা লেপ্লি। মীশক্তো থাজমানবী শকহেনবীনি। নুপা অমগা লেপমিন্নরি। নুপাদু মশক খঙদে। খঙনিংবনা শিদৌই। সিনি চেচেগী অৱাবা। থা থোক্লসু। তুংগী পুন্সিনা তরং তরং ঙাল্লসু। নুপাদু, নুপাদা নুপাগী লৈতেংনা হাজং য়ৈরবা মুর্ত্তিনি - মহৈ হৈ মশক ফজৈ তঙ তাবা থবক অমসু তৌই। অৱাবা মচেৎতু তুমখ্রে। পুমঙান ঙান্না লেপমিন্নরি। লমহেনবা মচা পোক্তনা। কেন্সর নাদনা। চেচেদু মোমোন্নজে। মমায় ফৌরামুক পাকপা থা য়েংলগা।

মপাদি কুম্মৈসি খোইদাদে। খোইদাদ্রসু কুম্মৈ য়াওই। মাই নুপীগী দোরিদগী। পুন্সিসিদবু খোইদাবা ঙাক্তসু য়াৱদো। খোইদাদবা ময়াম অমসু অমিয়া কাদুনা লৈরিবনিনা। পাথোক্লুরবদি পামদবা ময়াম অমনবু হেন্ন তৌই। মাদি ঙসিগী পাউচেনদুম হেন্না পানিংই। নুংতিগী সিগুম্বা মতমসিদনি মানা পাউচে পাবা। মাই নুপীগী থা য়েংবা কুম্মৈসিদদি অনকপদা মৈ থান্দে। মাই নুপীগী মরোলদদি কৈনোমা হায়রক্কনি - মপাদি হায়বা হৈতে। চাউরাকপদি থাংমৈ মঙালনা থাবলগী রাশি হাৎতোকইকা হায়রক্কদ্রা? হুং, তাদ্রে। সুংতা তাদ্রে। মমাই মরোলদু তাদ্রে। মাই নুপীগী কুম্মৈসিদি থাবলদা ফমদুনা থা য়েংবনি। মীতাজবনি। মপানা লাপ্না য়েংথদুনা নৎত্রগা য়েংখত্তুনা লৈবা হৈতে। হৈনদে। অদুই শরুক ৱাখল য়াওদনা হিংবৈ অশাংবা নুংশাস্বর হোনে দাক্তুনা পাউচে পাবা মাই হৈনবীনি। খল্লুদ্রদি খঞ্জিল্লুদ্রদি পুন্সিসি কৈসু নত্তে। খুরৌ থাংদে।

‘ঐনা তেন্না থাদা। ঐনা তেন্না থাদা।’

থাশি থানৌ হৌবা তোমচা অঙাওবনি। পূর্ণিমা ময়াসি থাশি ময়াসি অসুম্না হেক হেক লাওদুনা কোয়চৎ চৎলি। মখুৎ শীংদুনা থাদা তেন্না কাপ্পৈ মওংসু তৌই। ঙাইহাক লেপ্লগা। তন-না অমুক চৎথৈ।

তোমচা উরগা থাজমানবীনা ঙক্লা য়েংই। আশা উদনা। নুংঙাইতেদা। মাইদমক ৱাবি।

মপানা অরিবা ফাগী তৌরকই,

‘নঙগী থাসি তোমচানা কাপখায়রেহে।’

মমাদু অচাপোৎ পুদুনা চঙলকপা য়েংলগনি। ফাগীদু মচাশিংদুগা য়েংনবদা লিমনখ্রে। অদুনা অনীদু নোক্লক্ত্রে। মমাসু ৱাওই থওইদে। খঙদি খঙই মা ফাগীদু খঙই। মচাশিং লৈবদুদা ৱা থৈখ্রে। হায়রকই,

‘থাসি তোমচাই তিল্লাইখোম্বীনি।’

মাই মনোক্তু নোক্লগা মখা শমথরকই,

‘তোমচাসি থাবলগী অতিয়াই লৈচিলনি।’

লমহাংদা ৱাংনা পাইজরিবা মাই তেলঙ্গাদা নাওরীনা কাপ্লক্লবগুম অবুংনা হংই,

‘তা-তোমচা থাদা তেন্না কাপ্লিবসি করিগীনো?’

তোমচা তাবিদে। তাবা শংদে। মনাদা হাপ্তে। লাও লাওদুনা অদুম চৎলি।

‘ঐনা তেন্না থাদা। ঐনা তেন্না থাদা।’

থা য়েংবা কুম্মৈগী মমাই অচাপোৎসি উহৈ ৱাহৈ ঙাক্তনি। মতম মতমগী ফংবা উহৈ ৱাহৈ-লফোই, হৈনৌ, কিহোম, কমলা। লুম্বু লুম্বু শাবা ঈশিংগা খোইহিগগী গ্লাস অমদি শোয়দনা য়াওগনি। চম্প্রা মতমদদি পানা শোইবা চম্প্রা মচেৎ অমসু তাওহনগনি। মহাওসি মপাদদি খাচোক খাচোকই। মচানুপাদি হরাওই - থুল্লবদি হাওরবনি। মচানুপীদি মহাও খঙনা চা-থক্তে। চিনদি কাংথোক্তুনা খল্লি - ইমাই কুম্মৈগী অচাপোৎসি উহৈ ৱাহৈ ঙাক্তা তৌরিসি কৈগীনো।

চামিন থকমিন্নৈ। মমানা কোচি কোৎলকই।

‘ঐখোয় মপাই থায়নগী ইশৈদু অমুক্তা তাসিদনা।’

মপা খুমদে। ঈশৈ ঙংউ হায়রগা খোইহি থক্কদবৈ থাঙ্গৎলকই । চেচেনা ওইনা ঙংলকই - মমানা চামচনা প্লেক্তা তান থাই।

থাজ নঙসু নথন্নতা
ঐহাকসু ইথন্নতা
নোংমদোন অতিয়া মন্দোনথক্তা
নথংলেন কনাবু ঙাইরিবগে।

মমানা থৱায় তানা নোকই। ঙসাইগী অরিবা ফাগীদুই নোকথোকখিদ্রবা মীনোক্লি। তোমচা হল্লক্লে।

‘ঐনা তেন্না থাদা। ঐনা তেন্না থাদা।’

অবুংনা লাওই,

‘তা-তোমচা। তোমচা অঙাওবা।’

অকোনবগীসি তামল্লক্তবদৈনি। অঙাওবদা অঙাওবা হায়সি শাওরক্কদ্রা খল্লি মপানা অদুনা হায়,

‘ইবুংঙো অহলদা অদুম্মাইনা হায়গনু। অঙাওবা লক্লগনু শাওরক্কনি।’

‘চুম্না কৌবনি। লক্লবা নত্তে।’

‘ও, মী মমিং কৌবদৌনা অঙাওবা কৌবা,’ চেচেনা নোকই।

হায়গুল্লদনা তোমচাদু শাওরক্তে। মাই ঈশৈদু শক্তনা হন্দক্তি হায়রকই,

‘থাসিননি ঐবু ঙাওহল্লিসি। ঐবু তোমচা ওইহল্লিসি। ঐ খঙঙিকো নখোয় ইমুং হুপ্না থা হেক হেক য়েংবসি। ঐদৌনা ঙাওজনি। থাশি থানৌ হৌজনি। থাবু য়েংগদ্রা থাবলবু য়েংগদ্রা।’

মখা অমুক শমথখ্রে।

‘ঐনা তেন্না থাদা। ঐনা তেন্না থাদা।’

মমানা শোল্লি, ‘থিদা লৈচিল অওপ্পা শাবসিদি।’

অবুংনা হংই, ‘কৈনো মানা তৌরিসিবো।’

অপান্নবা অমদা হংদে। মপাগা চেচেগা খুমদে।

ঙসিগী মিংশেল য়ংদ্রিবী মমানা হায়রকই, ‘খঙদেদা। ফরুরবনি।’

*-কাংজম রাধাকুমার*

*(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক ‘মীৎকুপ অমতং’ দগী লৌখৎচবা)*

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।*